# বারী মচা

## কল্লেক্টিভ ফাইন

### নবকুমার নোংমৈকাপম

**স্কুল** কলেজগী সেক্রেটরীনি, ক্লবকী থৌ পুরিবনি, লৈবাক্কী চেল্লিবনি হায়দুনা লৈরিঙৈদা শেম্বোক লৈবা শীনফম অমত্তা তৌহৌদবনিনা কাঞ্চথাঙ তাদুন পত্তুনা অদুম লৈরক্লি তোম্বোই। মমান্নবশিংদি এস ও, এ ই, ওফিসর লোয়না ওইনখিদুনা নান্দানবা কার তোংবতা নত্তনা ময়ূম মকৈদু নোংদোল পক্লা শাগৎনখ্রে। মাগীদি থবক চৎনবা মরু কোক্লবা সাইকল অমদি ক্বাক মখোঙ পুথরবা ঈ না কূপ্পা য়ূম! মদুগীসু মথক্তা মমা মপাগী লৌ শীংদুদা মচা অহুমগা পুন্না মখোয় মঙানা শাইদাংদুনা হিংলক্লি। অসুম খঞ্জিল্লুরগা মসিদবু মমান্নবশিংদুগী মমাঙদা ইকায়বগী মথক্তা মখোয়দৌ শাউগত্তবা য়ারিবরো?

কমদৌরগা মমান্নবশিংগা অমুক্তং মীমান্নগদগে হায়বসি খল্লুবদা মশাদু তুম্ফম চাফম খঙলক্তবা ফনা কুইরে। পাৎলৌ খরা উরগা অদুম লৈবনদি য়াররোই খন্দুনা মখল কয়াগী শীনফম কয়া য়েংলুরবনি অদুবু হৌজিক ফাওবদি থোইদোক্লা মীনা ইকায় খুম্নবিবা অমদি শেন্দোং লৈগদবা শীনফম অমত্তা ফঙদ্রি। থিবা য়াবা উপায় কয়া থিরুরবা তুংদা উপায় অমা ফঙলে। এম এল এ মক নৎত্রফাও, প্রধান অমত্তং ওইরবদি অচৌ অশাংশিংনা খঙবিবগা লোয়ননা সহিদা নত্তনা মচিনসু চৎফম থোকইনা! ৱাখলসিদনি অরৈবা শেল মখৈ থাথরগা ভোট লেপ্পুরিবা।

প্রধান হেক ওইখিবদগী য়ূমসিদা লাকখিবা মীগী মখলসি শুরে। কনাগী মনুং সরকার, মপান সরকার, সিক্যুরিটি ... অদু অদা লোয়না শুরে। লাক্লনু হায়বসু য়াদে। অদুদা মানা য়াম্না পাখৎলিবসি মনুং সরকারদুগী কাঙবূদুন খূৎলায় মখল কয়া পুশিল্লক্লগা লেক চাদুনা লৈরঙৈদা সিফাই অমুক লাক্তু না কাঙবূ অনীদু খূৎ থোক্লরক্কদ্রা হায়বসিদনি।

সহিদি ফজনা চৎলে। রেসিদেন্স সার্টিফকেট অমদি কেরেক্টর সার্টিফকেট পীবগী সহি তৌবতদদা মখুদাং চোকথবজাৎনি। খরচ খরদং থল্লম্নবা হায়রুবদনা "নঙগী ভোটতা ৱাখিবদু কাউরবরা" হায়না হেক্তা মহায়রম্মী। তলবতি ফঙদে। শঙ্গাবা, লুহোংবা, শ্রাদ্ধ কর্ম্মনচিংবদা বার্ত্তন অমত্তা চিথরক্তবসিদগী হেল্লক্তুনা অঙাং মনা হুৎপা, মরু কোকপা, বার্থ দে, ...। লমদমসিদা তৌনরিবসে খরা লৈরগদি কোই কোকপগী , পীশুম ফোয়বগী, খুজিন ককপগী বার্ত্তন্নি হায়দুনা অমুকসু লাকপা য়ারিপোৎনি। মীগী হাজিরাগী থবক শুবা চৎলুগদবসু প্রধান অমগী ইজ্জৎ! ইমুং মনুংদনা চানিংঙাই থক্লিংঙাইফাও লৈশিল্লক্ত্রে। নিশা য়োনবা, চাবা, ফাবগীসু প্রধান, নুপী খাইনবগীসু প্রধান, য়ু ঙাওবগী পুলিসনা ফাখিবগী জামিন শৎপগীসু প্রধান, পোৎ লাকউবগীসু প্রধান,...। করিনুংগী প্রধান ওইজরুরবনো খল্লক্লে।

নোংমা নুমিৎ চপ য়ুংখৎলকপা মতমনি। মদুসু কালেন। খাঙফম খঙদ্রদুনা লৈমায়দুদা খূদৈ অমা থারগা লময়াইদুদা ওল্লি খরদং অইংবা ফঙনবা প্রধান তোম্বোই। গারী মখোল অমা তাখি। ঙরাং নহা অনী লাক্লগা থম্বীয়ু হায়দুনা পীরম্বা নোংমৈদু লৌবা লাক্লিবজাৎলা খল্লি। হৌগৎকে তৌরিঙৈদা ক্রোক ক্রোক তৌবা বুটকী মখোলদু মনাক য়ৌশিল্লকখিবা খঙহৌদে। হন্না য়েংখৎলুবদা সিফাই ওইরম্মী। খংপ্রেক খংই প্রধান তোম্বোই। ঙরাংগী খূৎলায় নমথম থমজিল্লম্বা নহাশিংদু সিফাইশিংদুনা মফম অমদগী ফারগা ইন্ত্রোগেসন তৌবদা হায়দোরকপদগী মাবুসু ফাবা লাক্লেদনা সিদি! থক্কৎখিদুনা ৱা ঙাংফম খঙদ্রিঙৈ ব্যবহারদা হায়রগা মখোয়গী গারীদুদা তোংখৎহনখ্রে। থৌরে। থৌরিবা গারীদুদা তোংফম খঙদে। কারক্লিবা ফোঙ ফোঙ শাবা হুমাং অনপ্পীদু লেপ্তুনা তৈথোকচৈ অদুবু থোরকপদি অদুবু থোরকপদি লেপ্পা লৈতে। মওন মওন খল্লি।

"মখোয়না ঐবু লমহাংলোমদা থাপ্পা পুথোক্লিবসিবু মী উদবা মফম অমদা চেলহল্লগা কাপ্পা নত্তনা করিবু ওইগনি? য়ূমদা লৈহৌরিবা সিফাইশিংদুনা ঙরাংগী নোংমৈ

অনীদু শোয়দনা থিরগা পুরক্লগনি। ঐবু হাৎলবা মতুংদা কাপ্নবদা শিবনি অদুগা নোংমৈশিংদুনা ঐঙোন্দগী ফঙবনি হায়না শুকশোয় শোয়দনা হায়খ্রগনি হায়গনবা কাঙবূনিনা। ঙসিসে ঐগী নুমিৎ শুরবোইরে! প্রধান ওইদ্রিঙৈদদি অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোকসি করিমত্তা খঙজখিদবনিকো!" হায়রগা মথম্মোইদুবুসু মথম্মোইদুনা ওনশিন্দুনা হন্না হন্না নিন্দা তৌজরক্লে। মহাক্লা তোংলগা চৎলিবসি কূনি।

গারীদু অসুম থৌরকপনা মাগী প্রধানগী কেন্দ্রদুগী মতাই ওইনা তৌবা মফমদুদা খাম্লে। সিফাইনা ককচেংগুম লেঙ লেঙ চত্তুনা লৈরম্মী। হেক কুমথবদা গারী অমা লৌফম খঙদনা কায়রগা চাক্লিবা মৈদু মুৎফাত্তনা মৈখু কারল্লি। লৈদুনা য়েংথোকখিবদা, মচী মচীদা ঈ তূং তূংদুনা লৈরি, মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎশিং খোঙ, খূৎ, কোক ... মচেৎ মচেৎ চাইদুনা লৈরি। মানা খল্লি, "তারল্লিবা শাদোং মচেৎশিংসি মেম্বরশিংগী শোয়দনা ওইরল্লোইদ্রনে? মতম অমদা ঐনা ভোট খোম্বগী তোয়না চৎখিবা খুন্দোনসে ঙসিদি ঐগী মঙ ওইদৌরবোইরে!"

অদুদগী মরুম ওইরপ তৌবা মফম অমদা মফি ফুরিৎ লৌথোকহল্লগা নুপা ময়াম মখূৎ তুংবুন্নরগা উপ উপ্তুনা লৈরিবদু উরক্লে। মনাক্তা হাইফেৎ চঙলুবদা মানা মশক খঙবা লৈকাইদুগী অয়াম্বা ওইরল্লে। মনঙ্গনশিংদুদা ঙাঙনা তারিবা খামহৎলবা চৈরমশিংদু মঙোন্দা কনামত্তনা হায়রক্তুবসু কনানা করিগীদমক থম্বা মার্কনো হায়বদু অদুম খঙলে।

পূম্নমক্তু উরুরগা অমুক খল্লকই " মখোয়শিংসু ঐদৌনা লালহৌবশিংদা হকথেংননা নৎত্রবসু নাকোয়ননা লোয়না মতেং পাঙলম্বজাৎলা? মদু নত্তনা করিগীসু ওইরুনি। ঙসিদি লমহাং মচেৎসে অনীশুবা জলিয়ানৱালাগ ওইহৌরগনি।"

মফমদুদা হান্না লৈরম্বা আর্মি ওফিসর অমনা মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা হায়রকই, "প্রধানজী, তৌরিবা ময়ামসে য়েঙউ। নখোয়গী লালহৌবশিংনা ঐখোয়গী সিফাইগী গারীদা এম্বুস তৌরে। মথৌ তৌজরিবা সিফাই ময়াম শিরে। মৈ চাক্লিবসিনা গারীনি। মসিবু হৌনরিবরা হায়বা? নখোয় লোয়নমক লালহৌবদা লোন্না লোন্না মতেং পাঙই। মসিগী মহৈ নখোয়না ফঙদনা কনানা ফঙগনি।"

তোম্বোই, মানা খল্লুরিবদুগা তৌরম্লিবসিগা তাইওন্নরম্বদুদা তৌফম খঙলক্তে। মথন্তা মথম্মোইদা নিন্দা তৌরকই, "মখোয়দুবু মীরক্তা নৎত্রবদি এম্বুস তৌফম শুক্লে লৈত্রবজাৎলা? মখোয়দি অশোক অপন য়াওদনা চেনখ্রে। তাঞ্জা চানরুবদগী মনাক্তা লৈরুবা কাঙবূসিদি ফজহৌরে হায়বা! সিফাইসিংনা গন প্রুফ লীৎপদি মশা কঞ্জনবনি অদুবু খূৎলায় পায়বশিংনা মকোকক্তা সিম্ফেথি প্রুফ লীৎলগা লো প্রুফ উপ্পলকপসিদি প্রজা মুৎখিবা তাবনি।"

মাগী মতুং ওইরপ্না চঙলক্লিবা ওফিসরদুগী ইঙ্গিৎ অমদগী ময়ামদু হৌগৎলগা পুল্লপ কোয়শিল্লক্লে। করিনো খরসু মেনশিল্লবা অনম্বা ফোর্ম অমা পুথোরক্লগা "ঐখোয়না ফৎত্রগদি মফমসিদা লৈরিবা প্রজা খূদিংমক হৌজিক কদায়দা হিংফম লৈরি? শক খঙদবশিংনা মফমসিদা বোম ফুম্বদু নখোয় ময়ামসিগী মরক্তা অমত্তসু খঙহৌদবা হৌনদে। বোম ফুম্লে হায়দনা করিগী পাউ পীরক্তে? নখোয় মশেল চপ মান্নদুনা তৌরিবনি। অদুনা প্রজা নখোয় ময়াম খায়নরগা কলেক্টিভ ফাইন ওইনা লুপা লাক্ষ মঙা পীগদবনি। নৎত্রগদি নখোয়গী নরাইবক করি ওইগনি খল্লোদনা? ফইন পীরগনি হায়দুনা প্রধান নঙনা মকোক চিংদুনা সহি মথং মথং তৌরো।

ও শিবমক্তি শিগদবা মান্দ্রে। প্রধান তোম্বোই শ্বর খরা খরা হোন্দোকপা হৌরকই।

ময়ামদুদা সহি মথং মথং তৌহল্লগা ফোর্মদু অমুক লৌহৌরগা ময়ামদু থাদোরক্লে।

থৌওং অসি প্রজাগা লালহৌবগা অনীগী মরক্তা লাপথোক্লহন্নবগী ফজরবা শীংচেপনি হায়বা ইখঙ খঙনরবসু মদুবু কনানা ফোঙনা শীংনবা ঙল্লি? হৌজিক্কী মতমদা খূৎলায় পায়বা শক্তি লৈবশিংনা কনবসি কল্লি, প্রমান তৌনিংঙাই লৈতনা কল্লি। নুংথিলদুদগী হৌনা তোম্বোই লৈকাইদুগী মেম্বর অমদি ক্লব সংস্থান খরগা তান্নরগা য়ূম খূদিংগী পৈশা খায়বা হৌরে। অদুবু য়েনখা য়েঙ্গুনদা লৈবা য়েনগোগুম্বা য়ূমফাওবা খায়রবসু দরকার ওইবা শেনফমদুগী তঙ্খায় ফাওবা য়ৌদ্রে। মদুনদি য়াররোই হায়বা খঙনরদুনা খুলদুগী মচিনতোংবা খরগা অমুক তান্নরগা মীয়ামগী অমত্তা ঙায়রবা শান্নবুংদু, সহি খোম্লগা মীওই অমদা য়োম্বোক্লে। মদুনসু কোন্নদ্রে। অৱাৎপদু মীয়াম্না নমশিল্লগা প্রধান তোম্বোইগী লৌ লৌরাক্তু বন্ধান থল্লগা মেনখৎহল্লে।

ময়ামদু শ্বর খরা হোন্দোক্লে। মতুংদা অসিগুম্বা শেনখায় অমুক খায়নদনবা খুন ফমদুনা, মখোয়না তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থবক কয়া পুথোক্লরগা লৌশিং য়েম্বোক্লে। লোয়না পাউচেশিংদা 'খুন্দা মীতোপ চঙবা য়ারোই' হায়দুনা ফোঙলে। খুনগী মতাই মতাইদসু নোটিশ থেৎলে। নুপী অঙাং ফাওবা চিংখদনা চাক চানরগা মখায়গী অরোন অথুপশিংদু ঙাক্লা চৎনবা ৱাশক লৌনরে। অদুবু লুরিবা ৱাহং অমনা, ৱাশক ঙাকপগা নোংমৈগী মরুগা কনানা লুমগদগে?

মতম খরা হৌখ্রবগী তুংদা, নোংমা, সিফাই খরা লাক্লগা খুন্দুগী শরক মচি অমদা প্লান্ট তৌরম্বা বোম অমা দিফ্যুজ তৌখ্রে। মদুগী পাউদু খুন পূম্বদা শন্দোকখিদুনা খুন্মী খূদিংমক্লা খঙলবদা, "অস! অমুকসু দশা তারমগনিদা। মতম চানা খঙনহৌদুনা, লৌথোকখিবা ফৈদা।" হায়না খুন্মীশিংদুনা নুংশা শ্বর মপী হোল্লগা নুংঙাইনা ফোঙদোক্লে।

নুমিৎ নীনি হুম্নি হৌখ্রবদা, নুমিদাং অমা মশক খঙদবা নহা খরা লাক্লগা তোম্বোইদা চিঠি অমা খূৎশিন্নরগা হায়রৈ, "খুনগী মচিন তোঙবশিংদসু কোপি অমমম পীরল্লবনি। ময়াং লান্মীশিংনা লৌথোকখিবা বোমদু লুপা লাক্ষ তরামাথোই পীবনি। নখোয়না মখোয়দা পাউ পীরগা লৌথোকহনখিবনিনা, নখোয়না বোমদুগী মমলদু ঙসিদগী নুমিৎ তরামঙানিগী মনুংদা ঐখোয়দা শীন্নরক্কদবনি। নৎত্রগদি অফবা ফল ওইরোই। থেঙথরদি দবল ফাইননি।" হায়রল্লগা থুনা য়াঙনা চৎখ্রে।

চিঠিদু হঞ্জিন হঞ্জিন পারে। চমম্নবা অমত্তা লৈতনা ময়েক শেংনা খঙলে। শকখঙদবশিংদু তশেংনা লালহৌলূপ অমগী মীওইশিং ওইরমগদ্রা? নৎত্রগা তাঞ্জা য়েংলগা খূদেংচাবা লৌনবা হোৎনবা শাশিন্নবা কাঙবূবু ওইরিগদ্রা? ৱাখলশিংসিনা নুমিদাংগী চারা চাবা য়াদে। তুমশিন্নবা ফনা কন্না হোৎনজরবসু অহিংদু তুম্বা শুকয়া য়াদে। করিনোনে তৌগদৌরিবসে? পানা অনী থারগা নাকল অনীদগী লৈশিন্নরক্লিবা বুলদুগী ৱাচর ওইরবা লমদমসিগী প্রজা ঐখোয়গী লাইবকসিবু নোংদম্বা মানা অসুম্না খাঙলুরো হায়না হেক মতল্লক্লমগদরা?

নোং ঙানফাৎত্রিঙৈদা হৌগৎলগা কমদৌসিগে হায়না খন্নরুনবা ক্লব, মৈরা পায়বীগী লুচিংবশিং অমদি খুনগী মচিন তোঙবশিং উনবা চৎলি। অদুবু মচিন তোঙবশিংদুদি লায়রদনা মচিন কাঙলপ তৌবফাওবা ময়ূমদা অমত্তসু লৈনরমদ্রে। লোইনমক নোং ঙান্দ্রিঙৈদা লোৎপা চৎনখিরল্লে। খুন্দুদা লৈহৌরিবসি নুপী অঙাং, ষণ,– ব্রাহ্মনখক্তা ঙায়হৌরে। হৌজিক তোম্বোই লমখায় অমদা লম্মুক্লরে– মহাক্লা হৌজিক মখোঙ থাংদুনা চৎকদৌরিবসি ময়ূমদরা নৎত্রগা মীনা খঙলোইদৌবা লোৎফম অমদরা? য়াওল্লোইশিংদুনা খঙলোইদৌবা মফম্বু মালেমসিগী করম্বা মফমদবু লৈরিগবা? থৌরী য়াল্লগা শিজবা তাব্রা? হৌজিক মতমদা লমদম অসিদা লৈরিবা মচিন তোংবা / চৎপশিং অসিগুম্না তেন্সন ৱাংখৎহনবা, নাম্বোকপসু ঙমদবা চৈনাসিবু ফঙদবা কয়াবু য়াওরমখিনি।

# তাবুনুংদগী

*মৈতৈনা অনা অয়েক থোরকপদা, লাইওক তীনওকপদা মখল মখা কয়াগী ইরাৎ – চবান, খয়োম লাকপা, থৌ তৌবগী চৎনবী লৈরকই। হৌজিক ফাওবা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা চৎনবী অসি লৈরি। খুদম ওইনা অমত্তং লৌখৎলকপদা মায়কৈ–শলাই খঙদনা ঙাওনা ফৈনা নারবদা হিয়াং অথৌবা খুরুমদুনা চবান থাদোক্লে। হিয়াং অথৌবা খুরুম্বগী মওং অমদি পোৎচং চৈজং ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

ফিরোল ১০, শেল ৯, য়োৎ ২, ফি মরাক তাইবা ২, য়েন ১, শাকৎফু (উয়াল), চাবানফু (চফু) মনুংদা মচাক মথুম হানবা, ইরাৎ পুন ১, য়ুখন ১, য়েংথৌ উতোং ৭, ঈশিং অচেনবদা লফু তুঙ্গানা পোৎ অহুম শেল্লগা নমখাং হাপ্লো, চিথেক মরিদা ফিরাল ৪, থাউমৈ ৪ থেৎলো, হৈরম–লৈরম, হৈকন–লাকন অথুম অহাও হাপ্লো, লা উপনা থাই, চাক্লুক শেল্লো, লাইশোনদি – কক লাউবা ককশা ত্রাউবা, নেংত্রাউবা, লৈশি লেংথাবা, তোংশা ওইবা, লমজা মপি শুমদোং লাংদোংজা লংসুং নখুত্তগী লাইয়িংথৌ শিদবা খ্রং ৩ হায়রগা হুপ হায়, চী হায়, ৩ লক শোল্লো। মখাদা হেঃ হিয়াং অথৌবা ও শাদা লানদা শিবা, মীশি খঙদবা মীশি ফত্তনা শিবা পূম্নমক অফা, অরাল অহুম অরৈ পূম্বা নঙনা ঙাকপিয়ো হায়বগী নঙগী চাকথা পীরবনে হায়না চাক য়েনশাং অদুবু তুঙ্গা পোৎ মথক অদুদা হাপ্তুনা ঈশিং অচেনবদা থাদখো।

# মণিপুরী পাম্বে–পাঊরৌ, পাউতাক

* **কৈখা নোনবা হূই।**
  – কিথি কিরুম তৌনা মরিল য়াওদনা তুশোন –মানশোন্না লৈবা মী।
* **কাম্বদা মৈ হৌগৎলি, কাম্বদসু মৈ মুৎলি।**
  – থৌওং অমদা থবক অমা ফৈ, থৌওংদু হেঞ্জিনমল্লবসু থবক্তু ফৎহন্দে, মাঙহল্লি।
* **কোত্তাংবগী ইমুংসু শমজেৎতি লোয়নৈ।**
  – মশানা শীজিন্নদ্রবসু য়ূম অমা পানবগী চঙদবা য়াদবা পোত্তি অদুমক থম্নৈ।
* **খঙবু খঙদ্রবদি উদবগা অন্ধানি।**
  – খঙদবা হায়বসি উদবগা চপ মান্নৈ।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নিতি

- লিনগী হূনা ময়াদা লৈ, হয়িংগীনা মকোক্তা লৈ, বৃশ্চিক্কী হূনা মমৈদা অদুগা মবুক ফত্তবা মীগী হূদি মশা পূম্বদা য়াওই।
- মপুরোইবগী য়াথং য়াওদনা পূজা তৌবা, ব্রত কৎপা নুপীনা মপুরোইবগী পুন্সি তেলহল্লি, মশামকসু নরক তাই।
- দান তৌবনা, চরা চাম্মা চাম্মা হেনবনা, তীর্থ চৎপনা নুপীবু মপুরোইবগী চরনা মৃত থকপদগী শেংবা অদুক শেংদোকপিবা ঙমদে।
- খূৎকী ফজবদি খুজিনা নত্তে, দান্ননি। চন্দননা নত্তে শেংবদি, ঈরুজবননি। চাত্তঃ নত্তে পেনগদবদি, ইকায়খূম্নবদুদনি। মীদুগী থাক্তুনা নত্তে মুক্তি ফংগদবদি, জ্ঞাননি
- হাজামদা চৎলগা শম–কোই ককপদা, নুংদা চন্দন তৈবদা, ইশকপু ঈশিংদা য়েংবদা ইন্দ্রগুম ওইরল্লবসু লম্বুম, সন্মান মাঙই।
- তুপ্তি চারগা ৱাখল মাঙই, বাচা চারগা পাঙ্গল–লৌশিং হেনগৎলি। নুপীনা খুদক্তা শক্তি লৌথোকখি, শঙ্গোম থক্লগা শক্তি হেনগৎলি।
- অতোপ্পগী য়াইফনবা খনবা হেক হৌরকপগা খুদোংথিবা পূম্বা মাঙখি, খোঙথাং খুদিংগী লন খুদিং ফংই।
- চাবা, তুম্বা, কিবা, য়ুম্বানবদা মীগা শাগা চপ মান্নৈ। ধর্ম অমসুং অতোপ্পগী ফনবা খনবা হায়বসি মীনা হেল্লি। ধর্মবু য়াওদ্রবদা শাগা মান্নৈ।
- চাউথোক্লবা শামুনা মনা হুমদুনা মঙোন্দা তোংলরিবা খোইমুশিংবু তাম্বোকই। মদুদা মাঙজরিবসি খোইমু নত্তে শামুনি। খোইমুদি থম্বালগী লৈকোন্দা অদুম চঙখিনি।
- নিংথৌ, লমচৎ নাইদবী, যম, মৈ, হূরানবা, অঙাং, ভিক্ষারি অমসুং গ্রাম কন্টক (মী, শা, উচেক্লচিংবা ফুনহল্লগা কূম্মৈ শীনবা মী) নীপান অসিদি অতোপ্পগী অৱাবা খঙদবনি।
- অহল ওইরবী, করিগীনো হন্থনা য়েংলিবা? লৈমায়দা করি তাখ্রবগে? হায় অপঙবা (ঐগী) নহা ওইবগী মুক্তা মাঙখ্রে খঙদবরা?
- লিনশিংনা ননাক্তা লৈদুনসু, নহৈ য়ান্দবা ওইদুনসু, তিঙ্খং পান্দুনসু, পঙশন্দা শন্দোক্তুনসু, লৈখোম তৈদুনসু, থোইদোকপা অমা লৈত্রবসু, ননাক চঙঙমদবা ওইদুনসু হে কেতকী, নন্নমা মরম ওইরগা নঙবু খ্বাইনা তিন্ননীংই। (অদুগুম্না) গুণ অমত্তং লৈবদা দোষ ময়াম মাঙবনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

২৪২। উরুংবসু লাকসনু ৱারুংবসু লাকসনু লমজাওতোংবা লাক্ত্রি মখৈ ৱারোইদবা করিনো?

২৪৩। থৱায় পান্দবনা ৱা ঙাংবা করিনো?

২৪৪। চেল্লকাপ চেল্লকাপ করিনো?

২৪৫। কোয়জোম্বী পুকংবী মমা অমনা মচানুপী ফজখ্রবী অমা পোকচববু মীনা পাম্বীদবা করিনো?

২৪৬। মমানা পোকপদা মমৈ পাল্লকপা চাউরগা মাঙখিবা করিনো?

২৪৭। নুপা অমনা নুপী অমদা "ঈশিংগী লুগুন অমত্তা তাবিয়ু হায়রক্লবদি নুপীদুনা করি খুমগদগে?

***মমাঙ নোংমাইজিং (২০–১০–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

*২৩৬) খৈনি নোইবা, ২৩৭) থম্বৌ চাবা, ২৩৮) নুংশিৎ খায়বা, ২৩৯)কৌজেং। হারৌ, ২৪০) তাদনা য়েংবিরকপসি হৌজিক পাওবদা কোঙকাপ কয়া শুরবগে, ২৪১) য়েৎতুম্না থিল্লগা মহী ওইনা চুপথোক্কনি, চিংথোক্কনি।*

# শৈরেং

## য়েংবা ঙমদ্রে নচাদি

*–মোইরাংথেম নাগিন্দ্র*

করিগী কপ্লি ইমা
চীংমী তম্মী নাউকোল্লিবী
য়েংনিংদ্রবরা হাৎন শুনবা
তানিংদ্রবরা মীকপ মীরাউখোল

মশা মশাগীতা খন্দুনা
অঙম অরায় খঙদনা
মুন্নরিবা ফোয়নরিবা হাৎনরিবা
ইমাগীদি নচা ঙাক্তনি

ইমাগী নতম্বাক্তা চাউরকপনি
য়েৎতসু ওইদসু নাউকোল্লকপনি
ঙসিদি মুন্নরক্লে নচাশিংনা
ইমাগী নতম্বাক অনীদো

কুইনা ৱাজরক্লবী ইমানি
য়েংবা ঙমদ্রে নচাদি
ইমাগী খোঙজেংদা পুল্লিবা
কোল্হিং কারবা য়োল্হিংসে।

## পূন্সি

*– রাজেন্দ্র ওক্রম*

পাক্লবা চেবাং অমদা
পূন্সিবু হঞ্জিন হঞ্জিন য়েক্লি ঐনা।

কুইরক্লে
কলমগী মুকসু লোয়রক্লে
মপুং ফাবা শুকঙম ঙমদে
হেন্না হেন্না মানশিল্লক্তে পূন্সি।

ঐগী ৱাখলসে পুবা থাংবা ঙমশিল্লক্ত্রে
অঙাওবগুম।

চেবাং অদু শুরু শুরু নৈশিন্দুনা
লংথোকখি লাপ্পা।

লংথোকখিবসিনবু
পূন্সি মাল্লে।

## য়েংবা ঙল্লিব্রা ইমা

*– সোবিতা সৌবাম*

অৱাবা চৈথেং কায়নবগী
হরাও মীনোক থুংনবগী
ঈথৌ লাংবা উনিংবৈ,
লাঙতক্লবা উনা ফঙদবৈ
তানিংবা য়াৱা নুংশিবৈ,
নুংঙাইরবা মীকুপ ইনখৎলকপগী,
তাউখিবা মঙলান ঈপাক্তু দা,
কাউঙমদনা লৈরি থম্মোয়দদি
পূন্সিনা য়াচঙলকপসিদসু।
কপ্পা কপ্পা লেনখি অহিং কয়া,
নোক্লা নোক্লা হৌখি মীৎকুপ কয়াসু,
থদৎপা ঙমদ্রি ঙসিসু,
চেৎনা থল্লি থম্মোয়বু ফাজিন্দুনা
নঙনা পুনবিরম্বা শোল্লবা লংলানা শেল্লম্বা
উইরবা নুংশিবগী উরিদো
থাবল্লে লৈনম য়েল্লকপদা
লিরি লিরি মালংনা থেঙলকপদা হকচাংদা
মঙফাওনরকই তাইবঙনি নত্তে মঙ,
ময়েক শেংলক্লে পূম্নমক
পিরাং ঈহৌরক্লে মীৎলুদা
থম্মোয় চাংজৌ পাথোক্তুনা।
মতমগী ঈরোলনুংদা লূপশিনখ্রবা
থম্মোয়গী তাবুনুংদদি লীশিনখ্রবা,
কাউঙমদ্রবা থৌদোক কয়াদুবু,
হেক্তমক কাউগদরনে থম্মোয়সিনা
নুংশিবী নঙবু থৱায়দগী হেনবী,
ঐগী থম্মোয়গী পাম্মুজবী,
ঙাইরম্মুকো মথং মপোক অমগী
তোংমিন্ননবা ফৈরা অমত্তদা
চাক্তামিন্ননবা ঈপাক অমত্তদা
চেম্থমিন্ননবা ঈরৈ অমত্তদা
হে ইমা! মতম কৌবী লাইরেম্বী
য়েংবা ঙল্লিবরা নহকপু?

## যুগসিদা

*– এল রবিকান্ত*

শান্তি ফংদ্রবা অহিংগী লৈমায়দা
য়াতারি নিঙাইদনা অশিবগী থৱায়শিং
অদুগা নোক্লি পেন্না–পেন্না
শান্তি ফংলে খন্দুনা।।

## তোর্ব্বান্না ঐঙোন্দা পাউজেল্লক্লি

*– তবানু খুরাইজম*

তুরেল কৌবী ঐহাকসে
তোর্ব্বান অনীনা ঙাকপীনি
কুমগী নোংজু কয়াদা
কাউসিং কয়াগা খূৎশম্না
ইনিং তম্না চেনবীনি।
অদুবু
মপুগী নোংদম্না কনবনা
ইঙা ইঙেন নোংজু থা
কুমগী নোংজু লিকখরে
মালেম ইমাগী তম্পাক্তা
ঈচাউ মায়োক্লখিদ্রে
ইকংনা মিংথোন ওইখরে।
অদুনা
শামু হকচাংনা য়াঙ্গংলিঙৈ
ইপুকসে হাপ্না লৈরিঙৈ
ঐখোয়বু অমুক্তা শেম্বীহৌ
কুমগী নোংজুনা লাকপদা
তোর্ব্বান্না চেম্থখিনি পাখৎনা
তোয়না তোয়না মেল্লকই।
অদুগা
কুমগী ইপান্থানা লাক্ত্রিঙৈ
ইশা ইরু খোঙনুং তোর্ব্বান
শেম্বীনি শাবিনি লাউরম্বা
লৈশেম্বা নখোয়বু কৈদনো
মঙলান মঙনা তুল্লিবরা?
ঐগী কল্লবা ঈচেলনা লাক্ত্রিঙৈ
ইকং ওইরিঙৈ শেম্বীরো হায়না
তোর্ব্বান্না ঐঙোন্দা পাউজেল্লক্লি।

## শকখঙবা মরুপ

*– নান্দৈবম অঞ্জনা দেবী*

পাউহনবীরক্লোইদবা ওইরদি
ইপাউদা,য়ওনবীগদৌবা লৈরদি
চোয়–চাং
নঙোন্দা থুংলরিবা পাউজেলশিংদো,
করিগী শকফোঙবীরক্লি
হে শকখঙদ্রিবা মরুপ
খোর্জৈ মরুপকী কলমদা!

# চয়োলসিগী ফাগী

**মেজিক হৈবী মমা!!**

কোইনা চৎপা মেজিসিয়ন অমনা স্কুলদা উৎপা মেজিক য়েংলুরগা ময়ূমদা হল্লকপা ননাওনা মমাদা হংই–

ননাও – মমা–মমা, মমাসু মেজিক হৈব্রনে?

মমা – (ইঙক ঙক্লা) কৈনোনে ননাও মমাবু মেজিক হৈব্রা হায়না হংঙিসিবো।

ননাও – (ঙাইহাক খঞ্জান্নরগা) হৈরম্নি কৈসু নঙ, নঙদি বাবাবু খুদোম্বীদা লৈহল্লি হায়না 'বোক্লা হায়সিদি। ফ্লাস শান্নসি হায়দি য়াদ্রগা!"

**কল্লক পেনবা!!**

লৈকাইগী মমান্নবা পাখঙ তরুকখক হৌনদুনা পুল্লগা জ্বার শান্ননবা থৌরাঙলম্মী। মখোয়গী মরক্তগী অমনদি শান্নদনা– শান্নরদি চেনা অহুম য়েনবী ফ্লাস ওইনা শান্নসি কন্না হায়জৈ। অদুবু অতৈদুনা য়াদবদগী চেনা মাপল য়েনবী বোম–ফ্লাস ওইনা শান্নরনি লেপ্পরদুনা চে য়েল্লি। চে য়েনবা লোয়দুনা চেনা ৯/ ৯ দু মখূৎ–মখূত্তা পায়খৎনবদং ঙাইরি, কদোমদৈনো খঙহৌদনা খূৎলাই পায়বা নহারোল ২/ ৩ চঙলক্তুনা নম্নে– "মতুং–মনাও অমুক তৌগনু, ঙসিগী ওইনদি নখূৎ–নখূৎতা পায়নরিবা চেনাশিংদু শাই–শাইদুনা য়োৎশিন্নৌ।" দন্দিনিনা মখোয় তরুকমক জ্বারচেশিংদু শাইনদুনা য়োৎনৈ। ঙাইহাক লৈরগা নহারোলশিংদুনা চৎখ্রবদা, ফ্লাস শান্নসি হায়জখিবদুনা অতৈদুদা শাওরপ হায়রকই– "কল্লক পেল্লি, মীনা ঙসাইনা

**নুপীগী শক্তি!!**

বিলাসিনী – নুপাকাইসিনা ঐখোয় নুপীগীদমক্তা তৌবা ঙম্বসে অঙকপনিহে! মায় তোম্বীগী নুপাদো ইনাক খুঞ্জরবসু লাইরিক্তি মেত্রিক লানখিদেদনা, অদো ঐখোয় ময়াম মমাঙদা ইকায়জৈ হায়দুনা তোম্বীনা তকমনবদগী মরন্নাই তমদুনা হন্দক বি এ পাস তৌরেয়েনে।

শখি – ইশ! মদুদা ঙকপীরিবা নহাক্লা হেন্না ঙকখ্রে ইবেম্মা! হন্দক্তা লুহোংখিবী শমাগী নুপাদুদি এম এ ডবলনি হায়দুনা লাইরিক হৈবদা মমিং চৎখিদনা অদো হৌজিক্তি অঙাংদৌনা পুংপঙ–পঙশিনখ্রে হায়য়ে।

**তোয়না হায়মল্লক্লবা ৱা!!**

লৈশা অরিবী ১ – অশ! ঐখোয়গী লাইবকসি করি লাইবক হায়দোইনো খঙদ্রে, য়ূম পানবকায়দু ফংলরোইদমাল্লে, কনামত্তনা ঙসিফাও লুহোংলসি কায়না হায়বীরদে ৱানি?

লৈশা অরিবী ২ – অদুবু ৱানেয়েদনা, ঐখোয়দদি লুহোংলসি লুহোংলো হায়দনা গ্রি গ্রি তক্লিসি অঙকপনি, য়াদবৈ তৌনি।

লৈশা অরিবী ১ – ই ঈ! নঙোন্দদি কনানা তকপীররিবা!

লৈশা অরিবী ২ – ঐখোয়' ইমাগা বাবাগনা।